# ওবামাগী ক্যুবা খোঙচৎনা য়ু এস-ক্যুবা মরী ফগৎহল্লগনি - হ্বাইট হাউস



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
যুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ক্যুবাগী মরীদা অহোংবা চাওনা লাক্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হ্বাইট হাউসনা ঙসি হায়খ্রে মদুদি প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা মথং থাদা হবানাদা হিষ্টোরিক ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকদৌরিবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরী খুমাঙ চাউশিল্লক্লিবসি মশক থোক্লা উহনবদা মতেং পাংলগনি।

"ঐখোয়না চহী অসিদা ক্যুবাদা চৎকদ্রা হায়না খন্নরকপা মতমদা প্রসিদেন্ট ওবামাগী জজমেন্টদি খোঙচৎ অসিনা নম্বর ৱানদা লৈহনখ্রে। ক্যুবাদা চৎপা হায়বসি ঐখোয়গী লৈবাক অনী অমসুং মীয়ামশিংগী মরক্তা অনৌবা মরী অমা হৌরকপগী মায়কৈরোমদা থাংলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি" হায়না নেসনল সিক্যুরিটিগী দেপ্যুটি এদভাইজর বেন রোদিজনা পাউমীশিংদা হায়খি।

"ক্যুবাদা চৎপগী অতোপ্পা মরু ওইবা অমনা ক্যুবাগী মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লিবা মসিগী মফম (স্পেস) হেন্না চাউথোকহনবদা মতেং পাংগনি অমসুং লৈবাক অনীগী মরী চেৎশিনবা হেনগৎহনগনি। লোয়ননা, তশেংনা হায়রবদা খোঙচৎ অসি খরা থুজিন্না চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা চৎকদৌরিবা অসিনা ঐখোয়বু মহাক্কী খোঙচৎ ময়া অমসুং খোঙচৎ মতুংগী নুমিৎ কয়ানি অমসুং থা কয়াদা থবক হেন্না পাংথোকপা ঙমহনগনি" হায়না প্রসিদেন্ট ওবামানা লাক্লিবা মার্চতা ক্যুবাদা চৎনবগী ৱারেপ লাউথোক্লবা মতুংদা মহাক্না হায়খি।

রোদিজনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর ১৭ তা ওবামা অমসুং মহাক্কী ক্যুবাগী লেংমান্নবনা লৈবাক অনীগী মরী মহৌশাগী ফীভমদা লাক্নবগী প্রোসেস হৌরগনি হায়না লাউথোকখিবদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ক্যুবাগী মরীদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকখ্রে।

"মরম অদুনা খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না মীৎয়েং থমগদৌরিবদি ঐখোয়গী পোলিসিশিং অমসুং রেগুলেসনশিংদা অহোংবা কয়া লাকহল্লিবসি ঐখোয়না করম্না শাগোন্নগদগে অমসুং অসিগুম্বা অহোংবশিংবু ক্যুবানা পুরক্লিবা অহোংবশিংগা শম্ন হন্নবা হোৎনদুনা ক্যুবানশিংগী শেন্দান লন্থী হেনগৎহনগদগে হায়বসিদনি। অসুম তৌরবদি য়ু এসকী বিজনেসশিং ক্যুবাদা চঙবা য়ারগনি, তৌইগুম্বসুং খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবদি অসিগুম্বা অহোংবশিং অসিদগী ক্যুবাগী মীয়াম্না কান্নবা ফংবদুনি। মখোয়না অহেনবা রিছোর্সশিংগী কান্নবা লৌদুনা হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমা ফংজবা ঙল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অদুদা প্রসিদেন্ট ওবামানা মশা ঙমদদুনা লৈরিবা ক্যুবাগী লুচিংবা ফিদেল কাষ্ট্রোদি উনদবসু য়াই হায়রি। "প্রসিদেন্ট ওবামানা ফিদেল কাষ্ট্রোগা উন্নগনি হায়না ঐনা নীংদে। রাউল কাষ্ট্রোনা হৌজিক ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট ওইরবনিনা মহাক্না প্রসিদেন্ট কাষ্ট্রোগা শোইদনমক্কী উন্নগনি" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# য়ু এসনা লুচিংবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মীচম ৩৮ শিখ্রে



বৈরুট, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা নোর্থ ইষ্ট সিরিয়াগী ইসাকা প্রোভিন্সতা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না পাঙথোকখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা য়ামদ্রবদা মীচম ৩৮ হাৎখ্রে হায়না বৃটিশ-বেজ মোনিটরিং গ্রুপ অমা ওইরিবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

হাসাকা প্রোভিন্সকী শরুক খরা কন্ট্রোল তৌরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা এয়র রেইদ কয়া পাঙথোক্লি। আই এসনা হসাকা প্রোভিন্সকী মফম খরা কন্ট্রোল তৌদুনা লাক্লবসু হন্দক থা খরসিদা মখোয়গী মখুৎতগী লম খরা নাম্থোকপা উখি।

হসাকাগী অয়াম্বা বোর্দর শরুক্তি ইস্লামিক ষ্টেটনা পায়শিল্লিবা দৈর অল-জোর প্রোভিন্স অমসুং সিরিয়াদা গ্রুপ অসিগী দি ফেক্টো কেপিটেল ওইরিবা রাক্কাগা লোয়ন্নে।

সিরিয়াগী লাল অদুবু গ্রাউন্দদা লৈবা কন্টেক্টশিংগী নেটৱার্ক অমগী খুথাংদা য়েংশিল্লিবা ওবজার্ভেটরি অদুনা ফোঙবা মী শিবগী ফিগরশিং অদুদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা শিখিবা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ য়াওখি। এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুনা ইরাক্কা তাইনবা বোর্দরগী মনাক নক্না অল সাদাদি সীটিদা লৈবা বেকরি অমদা হিট তৌখিবনি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা য়ামদ্রবদা অতৈ খুঙ্গং অহুমদা চথখিবা এয়র রেইদশিংদা অঙাং অহুম য়াওনা য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ১৫ শিখি। নুমিৎ অসিদা অতৈ মফম খরদা পাঙথোকখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদসু মীচম নিপান হেন্না শিখি হায়না ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি। রোইটর্জনা মরন্নাই ওইনা রিপোর্টশিং অদু কনফর্ম তৌবা ঙমখিদে।

য়ু এস এয়র ফোর্সেসকী সেন্ট্রেল কম্যান্দগী মকোক লেফটিনেন্ট জেনরেল চালর্স ব্রোননা হায়খি, মীচমশিংদা মীশি মীনা থোকখিবগী রিপোর্টতু মহাক্না খঙলে। য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না রিপোর্টশিং অদু কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা তঙাই ফদ্রবদি ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

"হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিমুক অসিদা এরিয়া অদুদা বোম থাদরক্লিবনি হায়বসি ঐহাক্না খঙদে" হায়না ব্রোন্না হায়খি। ইরাক্কী বোর্দর মনাক্তা লৈবা অল হোল টাউন ময়াদা অমসুং মখারোমদা খরা থাপ্না পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা এয়র রেইদশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটর ৩৫ শিখি হায়না ওবজার্ভেটরি অদুনা ফোঙদোকখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা বৈজিংদা চেকশিন্না চৎনবা হায়খ্রে

সিদনি, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
মুক্নবগী ফীভমদা খোঙ থাংজিনদনবগীদমক্তা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাদা সাউথ চাইনা সীগী ঈথৎশিংদা লানগী খুৎশু খুৎলাই অমসুং লান্মীশিং পৈশিনবগী থবক তৌদনবা হায়খ্রে। বৈজিংনা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীদা মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌববু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী মথংগী নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাদা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।



চাইনানা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা মরু ওইবা ঈথৎশিংদুগী মনুংদা অমদা লৈবাক অসিনা খুৎলাই খরা থল্লে হায়খি। অমরোমদা চাইনাগী ৱাফমদু তাবদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা চাইনাগী খোঙথাং অদু লমদম অদুদা খুৎলাই অমসুং লান্মী পৈশিনবা হেনগৎতুনা লানগী শেম শাবগী মওংনি অমসুং মদু তরাইনা লৌবা য়াদবা ৱাফমনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মেলকোম টর্নবুলনা হায়খি, লমদম অদুদা নুংঙাই য়াইফবা পুরক্নবা চাইনা অমসুং য়ু এসনা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা ৱাফমশিং অদু ইন্টরনেসনল লো শীজিন্নদুনা লৈখাই তাথোক্কদবনি।

"ঐখোয়না সাউথ চাইনা সীদা লম ক্লেম তৌরিবা পুম্নমক্তা সাউথ চাইনা সীদা মওং অমত্তদা ঈথৎনচিংবা শেমগৎ শাগৎতনবা, ঈথৎশিংদা লানগী খুৎশু-খুৎলাইশিং পৈশিনবা অমসুং লান্মী থমজিনবা তৌদনবা লোয়ননা লম শেমগৎ শাগৎপগী থবক অমত্তা তৌবীদনবা অপিল তৌরি" হায়না সিদনিদা মহাক্কী ন্যু জিলেন্দগী লেংমান্নবা জোন কিগা লোয়ননা পাংথোকপা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা টর্নবুলনা হায়খি।

টর্নবুলনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দ অনীমক্না সাউথ চাইনা সীদা উংখৎনবগী ফীভম হন্থহনবা পামই। মখোয়নিগী অনিংবা অমসুং অপাম্বগা চাননা মহাক্না চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংদা লৈবাক পুম্বনা য়ানবা চৎনপথাকপশিংগী মতুং ইন্না মালেম পুম্বগী ওইনা পুথোক-পুশিন তৌরিবা থাউ অপুম্বগী অহুম থোকপগী অমগী লন্থী ওইরিবা ঈশিংগী শরুকশিং অদুদা লৈরিবা য়েৎনবগী ফীভম খুদিংমক লৈখাই তাথোক্নবা তকশিনখি।

"চাইনাগী প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা অসুম্না ফোঙদোকখিবা লৈ মদুদি, চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা শীংনবশিংগী মনুংদা অমদি মহাক্কী লৈবাক অদু থুসিদিদিজ ত্রেপ হায়না খঙনবা লাংদা থুজিল্লগদ্রা হায়বসিনি। মসি মরু ওইনা মচিন তুমখৎলক্লিবা পৱার অমনা অতৈ পৱারশিংদা কোক শাহন্দুনা মুক্নবগী ফীভম লাকহনববুনি" হায়না টর্নবুলনা হায়খি।

"প্রসিদেন্ট সি জিংপিংনা মচিন্না ফোঙদোকচবগুম চাইনানা থুসিদিদিজগী লাংদা থুনিংদ্রবদি সাউথ চাইনা সীগী য়েৎনবা ফীভম খুদিংমক ইন্টরনেসনল লোগী খুথাংদা, ঐখোয়দা ফংলিবা মেকানিজম পুম্নমক্তুগী খুথাংদা লৈখাই তানগদবনি" হায়না প্রাইম মিনিষ্টর টর্নবুলনা হায়খি।

ন্যু জিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন কিনা হায়খি, চাইনা অসি লৈবাক অনীগী মরু ওইবা ট্রেদিং পার্টনর ওইবা মরম্না ঐখোয়না বৈজিংদা টেন্সন হন্থনবা ফোংনা অমসুং লন্নাই ওইনা তকশিনবা য়াই।

# ইজরেলি পুলিসমেনদা থাঙনা থিনবা পালেষ্টিনিয়ন কাপ্তুনা হাৎখ্রে

জেরুসালেম, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
ইজরেলদা মীশি-মীনাগী ঈরাং লেপ্পক্তুবা থা মঙা শুরকখিবগা লোয়ননা ঙসিসু জেরুসালেমগী চেকপলনা খাজিনবা অরিবা সীটিগী মপানদা পুলিস ওফিসার অনীদা থাঙনা থিনখিবা পালেষ্টিনিয়ন নুপা অমা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং ইনৌনৌনা লেপ্তুনা থোক্লক্লিবা অসিনা ইকোন কোনবা পালেষ্টিনিয়ন ঈরাং লোইখিবা চহী ১০গী মতুং অসিদা মীশি মীনাগী ঈরাংশিং পাক শন্না হেনগৎলক্কদৌরিবরা হায়বগী অকিবা অমা পোকহল্লে হায়রি।

"টেররিষ্ট অদুনা পুলিসকী টিম অমদা মতুংদগী এটেক তৌখিবনি। মহাক্না পুলিস ওফিসার অনীদা থাঙনা থিনখি অমসুং অশোক-অপন খরা থোকহনখি। মদুগী পাউখুম ওইনা টিম অদুনা নোংমৈ কাপখি অমসুং টেররিষ্টতুগী থৌওং অদু লেপহনখি" লোয়ননা পুলিসনা কাপ্পদা মহাক শিখি হায়না পুলিসকী স্পোক্সপার্সন লুবা সামরিনা হায়খি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা চহী ১৪ মুক্কী পালেষ্টিনিয়ন নুপামচা অনীনা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা সুপরমার্কেট অমদা ইজরেলি অমা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখি। খুৎলাই পায়বা ইজরেলি মীচম অমনা নুপামচা অনীদুবু নোংমৈনা কাপখি অমসুং মখোয়নি শোকপগা লোয়ননা জেরুসালেমদা লৈবা ইজরেলি হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়েংখি।

হৌখিবা ওক্টোবর থাদগী হৌজিক ফাওবদা পালেষ্টিনিয়নশিংনা চথরকখিবা থাঙনা থিনবা, নোংমৈ কাপ্পা অমসুং কারনা থোম্বগী এটেকশিংদা ইজরেলি ২৮ অমসুং য়ু এসকী সিটিজন অমা শিখ্রে হায়রি।

ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু য়ামদ্রবদা পালেষ্টিনিয়ন ১৬৪ হাৎখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ১০৮ দি ইজরেলিশিংদা খুৎ থারকখিবশিংনি হায়না ইজরেলনা হায়রি। মখোয় নৎতবা অতৈ পালেষ্টিনিয়নশিংদুদি ইজরেলগী মায়োক্তা ঈরাং হৌদুনা প্রোটেষ্ট তৌবগী থৌদোকশিংদা সিক্যুরিটিগী কাঙবুশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। পালেষ্টিনিয়ন এটেক্কর কয়াদি চহী নৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনি হায়রি।

জেরুসালেমগী অল অকসা মোস্ককী কম্পাউন্দগী মরমদা য়েৎনবা অমসুং ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা লমগী শরুক্তা পালেষ্টিনিয়নশিংগী মনিং তম্বা ষ্টেট অমা লৈহন্নবগী মতাংদা ৱারী রাউন্দ কয়া ঈংন-চিক্না শানবদা মায় পাক্তবা য়াওনা মরম কয়ামুক্না লমদম অদুদা টেন্সন লৈহল্লিবনি হায়রি।

# সুদানদা এম এস এফকী ষ্টাফ ২ য়াওনা ১৮ হাৎখ্রে



মালাকাল, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
লাল নংলবা মফমদা অৱাবা তারবশিংদা তেংবাং পীবা গ্রুপ অমা ওইরিবা মেদিসিন্স সান্স ফ্রন্টিয়র্স (এম এস এফ)না হায়খ্রে মদুদি, সাউথ সুদানগী খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদা গ্রুপ অসিগী লোকল ষ্টাফ মেম্বর অনী য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ হাৎখ্রে।

"মীচমদা অসুম্না এটেকশিং চথবসি নুংনাংনিংঙাই ওই অমসুং ঐখোয়না খুৎলাই পায়বা গ্রুপশিংদা অসিগুম্বা থবকশিং লেপ্পনবা দিমান্দ তৌরি" হায়না সাউথ সুদানদা পাঙথোকপা এম এস এফকী প্রোজেক্টশিংগী কোওর্দিনেটর ওইরিবা মারকস বাচমাননা ফোঙদোকখ্রে।

"মীয়ামনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদবা মফম থীরকপদা পি ও সী (প্রোটেক্সন ওফ সিভিল্যান কেম্প)তা লাক্লখি অমসুং মসি পার্টি খুদিংমক্না ইকাইখুম্নবা মীশিংনা অশোয় অঙাম থোক্তুনা লৈবা য়াবা মফম অমা ওইহনগদবনি" হায়না নোর্থ ইষ্ট টাউন মালাকালদা খুৎ থোক্লবা লোইরবা মতুংদা মহাক্না হায়খি।

অহানবগী খুৎ থোক্লবা অদু পুং অহুমরোম চথখি অমসুং অয়াম্বনা নুপী অঙাংশিং ওইদুনা মীওই ৬০০ রোম এম এস এফকী হোস্পিটালদা তাশিল্লগা লৈনখি হায়না এম এস এফকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

"এম এস এফকী টিম অদুনা অহিং চুপ্পা অশোকপশিং লায়েংনবা হোৎনখি। হোস্পিটাল অদুদা ইহান হান্না লৌশিনখিবা পেসিয়েন্টশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ দি নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা মীওই নিপানদি সর্জরি তৌবা তঙাইফদে" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

এটেক অদুদা শিখিবা এম এস এফকী ষ্টাফ অনীদু সাউথ সুদানিজ ইমপ্লোয়ীশিংনি অমসুং মখোয়না ময়ুমদা লৈরিঙৈদা এটেকশিং অদু চথরকখিবনি হায়না এম এস এফনা হায়খি।

মমাঙদা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বান কি মুননা ফোঙদোকখিবদা সাউথ সুদানদা লৈবা মীচমশিংবু চঙজফম পীদুনা থল্লিবা য়ু এনগী পিছকিপ্পিং বেজ অমদা খুৎ থোক্লবা হৌরে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিরে অমসুং ৪০ শোক্লে হায়খিবনি।

# এফ-১৬ এয়রক্রাফটইন্দিয়াদা শারগনি

সিঙ্গাপোর, ফেব্রুৱারী ১৯ ঃ
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফাইটর জেট শাবা লোকহীদ মার্টিননা ঙসি হায়খ্রে মদুদি, কোর্পোরেসন অসিনা ইন্দিয়াদা এফ-১৬ এয়রক্রাফটশানবা অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা অহানবা মেন্যুফেক্চরিং ফেসিলিটি লিংখৎনবা হৌজিক চথরিবা ৱারী শানবদু শৌগৎনবা শেম শারে। প্রপোজ তৌরিবা মেন্যুফেক্চরিং ফেসিলিটি অদু "মেক ইন ইন্দিয়া" ইনিসিয়েটিভকী মখাদা পায়খৎপা খ্বাইদগী চাওবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইবা য়াই হায়রি।

"ঐখোয়না ইন্দিয়াদা এফ-১৬ শানবা অমসুং মেক ইন ইন্দিয়া ইনিসিয়েটিভ সপোর্ট তৌনবা শেম শারে" হায়না লোকহীদ মার্টিন ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদকী চীফ ইগজিক্যুটিভ ফিল্ড সোনা সিঙ্গাপোর এয়রসো ২০০৬ তা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি। তৌইগুম্বসুং অমেরিকান কোর্পোরেসনগী ইগজেক্যুটিভ অদুনা প্লান্ট অদু থবক হৌবা য়াবগী মতমদি পীখিদে, শুপ্নগী গভর্ণমেন্ট মশেল ৱারী শানরিবদু শৌগৎলি হায়খি।

মহাক্না মতম অমা পীদ্রবসু ইন্দিয়াদা এফ-১৬ ফাইটর প্লেনশিং থুনা শাবগী ৱাফমদা থৱায় য়াওবা উৎখি অমসুং মেন্যুফেক্চরিং য়ুনিটতুনা থবক হৌবা হায়বসি য়ু এস গভর্ণমেন্টগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগা ৱারী শানবগী মখা পোল্লি হায়খি।

হৌজিক লোকহীদ মার্টিননা য়ু এসতা লৈবা মসিগী প্লান্টতগী থা খুদিংগী জেট অমমম্ শাদুনা পুথোকই। কোর্পোরেসন অসিনা ইন্দিয়াদা কনট্রেক্ট অমসুং জোইন্ট ভেঞ্চর কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা ইমপ্লোয়ী লিশিং ১ হেন্না লৈ।




Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630

4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

Only at Rs. 5699/-

4G

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/2956/13/02-12/03


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**STATE ACADEMY OF TRAINING**
Takyelpat
(Telefax: 0385-24451541; E-mail: sat.manipur@gov.in)

**NOTIFICATION**

Imphal, the 19th February, 2016

**No: 8/245/2015-SAT :** It is hereby notified to all concerned that the State Academy of Training is organizing **15-Days** training programme on **Computer Literacy** at its own campus at Takyelpat from the **3rd March, 2016** as per detail given below.

1. Duration : 15-Days
2. No. of trainees : 40(forty)
3. Category of trainees : Group-C

Any Group-C employee who wishes to participate in the said training should get himself/herself nominated by the concerned Head of Offices and the nominations should reach the Academy on or before **27th February, 2016 (Saturday)**.

Reading materials and working lunch shall also be provided free of cost to all the trainees as usual.

Further details including nomination form, training modules, etc., may be downloaded from the official website of SAT: **www.satmanipur.nic.in.**

*HL-P/2969/19&20 Feb.* **Sd/- W. Chandra Kumar,** Additional Director

GOVERNMENT OF MANIPUR
**STATE ACADEMY OF TRAINING**
Takyelpat
(Telefax: 0385-24451541; E-mail: sat.manipur@gov.in)
---

**NOTIFICATION**

Imphal, the 19th February, 2016

**No: 8/2/2001-SAT(Trg)/Pt:** It is hereby notified to all concerned that the State Academy of Training is organizing **2-weeks** training programme on **Office Procedure** at its own campus at Takyelpat from the **2nd March, 2016** as per detail given below.

1. Duration : 2-weeks
2. No. of trainees : 50(fifty)
3. Category of trainees : Group-C

Any Group-C employee who wishes to participate in the said training should get himself/herself nominated by the concerned Head of Offices and the nominations should reach the Academy on or before **27th February, 2016 (Saturday).**

Reading materials and working lunch shall also be provided free of cost to all the trainees as usual.

Further details including nomination form, training modules, etc., may be downloaded from the official website of SAT: **www.satmanipur.nic.in.**

*HL-P/2970/19&20 Feb.* **Sd/- W. Chandra Kumar,** Additional Director

# EMPLOYMENT NEWS

## INDIA COFFEE BOARD RECRUITMENT 2016

Coffee Board invites Application for the post of 15 Junior Technical Assistant on contract basis. Apply before 18 March 2016.
Job Details :
Post Name : Junior Technical Assistant
No. of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 12000/- (Per Month)
Eligibility Criteria for India Coffee Board Recruitment :
Educational Qualification : B.Sc. in Agriculture or Horticulture or Biological Sciences with working knowledge of computer application.
Nationality : Indian
Age Limit : 30 years (as on 01.02.2016)
Job Location : Visakhapatnam (Andhra Pradesh)
How to Apply India Coffee Board Vacancy : Interested Candidate may apply in prescribed application form along with attested copies of relevant documents Send to Joint Director (Extention), Coffee Board, D. No. 4-54-5, Lawson's Bay Colony, Visakhapatnam 530017 on or before 18.03.2016.
Important Dates to Remember :
Last Date For Submission of Application : 18.03.2016

## Patna District Court – e- Courts Recruitment 2016

Office of the Convenr, Coordination Committee, District & Sessions Judge, Patna invites application for the post of 936 Deposition Writer-cum-Typist-cum-Clerk in the Subordinate courts of Bihar. Apply Online before 01 March 2016.
Advt. No. : 03/2016
Job Details :
Post Name : Deposition Writer-cum-Typist-cum-Clerk
No of Vacancy : 936 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
Eligibility Criteria for e-Courts Recruitment :
Educational Qualification : Candidate must be graduate i.e. B.A. / B.Sc. / B.Com. or equivalent degree from recognized University. The candidate must have knowledge of Hindi or English Typing. The minimum speed should be 30 words per minute in Hindi and 40 words per minute in English on Computer.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2016
Un-reserved (Male) : 18 to 37 years
Un-reserved (Female) : 18 to 40 years
Backward Class and Extremely Backward Class (Male) : 18 to 40 years
Un-reserved, Backward Class and Extremely Backward Class (Female) : 18 to 40 years
Schedule Caste and Schedule Tribe (Male & Female) : 18 to 42 years
Job Location : Patna (Bihar)
Selection Process : Selection will be made on online test or objective test & viva-voce test.
Examination Fee: Candidates should have to pay Rs. 500/- (Rs. 250/- for SC, ST category as well as physically disabled candidates) only through Bank Challan in SBI, Patna Account No. 35411934162 of Convenor, Co-ordination Committee.
How to Apply : Interested candidates may apply Online through the website www.ecourts.gov.in/patna form 09.02.2016 to 01.03.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date for Submission Of Online Application Form : 09.02.2016
Last Date for Submission Of Online Application Form : 01.03.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://post.asrb2014.org/download/Writer.pdf
Apply Online : http://post.asrb2014.org/

## Patna District Court – e- Courts Recruitment – 1057 Stenographer Vacancy – Last Date 01 March 2016

Office of the Convenor, Coordination Committee, District & Sessions Judge, Patna invites application for the post of 1057 Stenographer in the Subordinate courts of Bihar. Apply Online before 01 March 2016.
Job Details :
Post Name : Clerk
No of Vacancy : 1057 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
Eligibility Criteria for e-Courts Recruitment :
Educational Qualification : Candidate must be graduate i.e. B.A. / B.Sc. / B.Com. or equivalent degree from recognized University. The candidates must have knowledge of Stenography in English/Hindi. The minimum speed in stenography shall be at the rate of 80 words per minute in English and 60 words per minute in Hindi with typing speed at the rate of 45 words per minute in English and 35 words per minute in Hindi on Computer and A certificate in Stenography issued by an institute recognized by Central/State Government is essential.
Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2016
Un-reserved (Male) : 18 to 37 years
Un-reserved (Female) : 18 to 40 years
Backward Class and Extremely Backward Class (Male) : 18 to 40 years
Un-reserved, Backward Class and Extremely Backward Class (Female) : 18 to 40 years
Schedule Caste and Schedule Tribe (Male & Female) : 18 to 42 years
Job Location : Patna (Bihar)
Selection Process : Selection will be made on online test or objective test & viva-voce test.
Examination Fee: Candidates should have to pay Rs. 500/- (Rs. 250/- for SC, ST category as well as physically disabled candidates) only through Bank Challan in SBI, Patna Account No. 35411934162 of Convenor, Co-ordination Committee.
How to Apply : Interested candidates may apply Online through the website www.ecourts.gov.in/patna form 09.02.2016 to 01.03.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date for Submission Of Online Application Form : 09.02.2016
Last Date for Submission Of Online Application Form : 01.03.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://post.asrb2014.org/download/Stenographer.pdf
Apply Online : http://post.asrb2014.org/